# শান্ন-খোৎনবা নুংশিজবা, স্পোর্টস পামজবা মীওই অমা ওইনা খুমন লম্পাক কন্ননবা হোৎনবদসু অঙঙ্বা থৌদাং লৌজরকখি



**লাইশ্রম ব্রোজেন্দ্রো**
*টি টি কোচ, সাই, এস টি সি অসাম*

(ঙরাংগী মখা)

নহা ওইরিঙৈ মতমদা থেঙনরকখিবা পুন্সিগী তোঙান-তোঙানবা মশকশিং অদুসু নীংশিংলুবদা নুংঙাই। শান্নরোয় ওইবগা, চেফোংগী এডিটর ওইবগা, কোচ অমুক ওইরকপগা হায়রিবশিং অসি য়াম্না খেন্নবা লাইফ ষ্টাইল ঙাক্তনি। শান্নরোয় অমা ওইবগী মনিং তম্বা নুংঙাইবা পুন্সিদুসু ঐহাক মুন্না খঙজরকখি। অয়াম্বা মতমদা, ইমান্নবশিংগা শান্নমীন্নবদা নুংঙাইরকখিবা মদুগী মহাওসু অমনি। অদুগা চেফোংগী এডিটর ওইনা কোইচেন চেঞ্জবা, আর্টিকল খোমজিনন্নবা হোৎনবা, ইথৌ চিনখিবা, চেফোঙ পুথোকপা নুমিৎসিদনা ঐখোয় ময়াম পুল্লব অমুক চেফোঙ য়োনবা বজারগী দুকান থুংনবা চৎখিবা পুন্সিদা কাউবা ঙমদে। ঐহাক্না এডিটর ওইজরগা ‘স্পোর্টস রিভোল্যুসন’ কৌবা চেফোঙ অমা পুথোকচরম্বসি কুমজা ১৯৭৮দগীনা ১৯৮২ ফাওবনি। শেল-থুম য়াম্না লৈদুনা নুংঙাইনা ফোঙবসুনত্তে।মতমদুদা ঐখোয়না ফোঙলিবা চেফোঙসি শুপ্নতগী লুপা ১দা য়োল্লি। কোপিনা লিশিং অহুমলোম ফোঙই। মদু য়োল্লগা খবরগী অনম্মলসি পীরকখি।

মমৈদদি ঐখোয় মহৈরোয়শিংনা হোৎনরগা, স্পোর্টসকী চেফোঙ অমা চাং নাইনা পুথোরকপদুদা এদল্ট এদুকেসন্দা দিরেক্টর ওইনা পুবীরম্বা এলাং লৈকাইদগী পাবুং গৌড়চন্দ্র শর্ম্মনা ঐখোয়গীদমক গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ৱাৎতনবা চে পীবিরকখি। হায়রিবা চেশিং অদু ঐখোয়না চেফোঙখক শীজিন্নবা নত্তনা মহৈরোয়শিংগী কোইসন অমদি অন্সর বেঙ্ক হায়দুনা মতম অমদা কন্না চৎনরম্বা ৱাহং পাউখুমগী ওইবা শেমদোক্লবা পেপরশিং ফোঙবদা শীজিন্নখি। থবক হায়বসিদি কাংলোন চুম্নবু তৌরবদি অহল-লমন, লাই-গুরুশিং, অঙম-অথৌশিংনসু ফজনা অদুম মতেং পাঙবীরকই।

অদুগা, ‘স্পোর্টস রিভোল্যুসন’গী এডিটর ওইজরিঙৈদা তৌবা য়াবা থবক থৌরম কয়াসু তৌজরকখি। এদুকেসন দিপার্টমেন্টতগী স্পোর্টসকী শরুকসি খায়দোরকপা মতমদা ইন্টর স্কুলগী টুর্নামেন্টসি কনানা শীনগদবনো হায়বগী চয়েৎনবা মতাং অমসু লৈখি। অহানবগী য়ুথ এন্দ স্পোর্টসকী খায়দোরকপা মতমসিদা দিরেক্টরসি চবুংবমগী পাবুঙ ইবোহলনা পুবিখিৱ্রা খল্লি। মথংদা, গ্বালিয়র মনি



হায়না খঙনবীবা সাইগী ওজা মনিসি লাকখি। মতমদুদা এদুকেসনসিনা এলাংবমগী পাবুঙ য়াইমনা পুখি। অনী খায়দোরকপসিদা ইন্টর স্কুলগী টুর্নামেন্ট শিনবসি স্পোর্টসকী কাংবুসিনা তৌখি। অদুবু মরক্তুদা এদুকেসন দিপার্টমেন্টতগী গভর্ণমেন্ট স্কুলগী মহৈরোয়শিংদি অদুগুম্বা টুর্নামেন্টতুদা শরুক য়াবীগনু হায়দুনা অথিংবা চেরোল অমা থোরকখি। মদুনা শান্নরোয়শিংদা তংদু লৈতাদবা অমা থোকহনখি। হায়রিবা মতমদুদা ইন্টর স্কুলগসি অনী/অনী থোক্তুনা স্পোর্টসতা চয়েৎ-চনৈনবা অমা ওইখি। অদুগুম্বা মতাংদুদা, চেফোঙগী এডিটর অমা ওইনা মতমদুদা এদুকেসনগী দিরেক্টরনচিংবা উনদুনা



ৱারী শাজখি। শান্ন-খোৎনবগী থৌরাং তৌবীবা মতমদা অনী থোকহনবীরক্নু, ইন্টর স্কুলগী টুর্নামেন্ট শীন্নবা বজেটসি করম্বগী হেদতা য়াওবগে হায়বসি থিগৎচখি। করিগীদমক এদুকেসন দিপার্টমেন্টনা

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**টেবল টেনিসতা মীৎয়েং অমা**

গভর্ণমেন্ট মহৈরোয়শিংদা শান্নবা য়াওবা য়ারোই হায়না থিঙবীরিবনো হায়দুনা ইন্টরভিয়ু তৌজরুবা মতমদা ইগজাম ময়াদা মতম চাদনা টুর্নামেন্ট তৌবগীনি হায়না পাউখুম পীবিরকখি। অদুবু, য়েৎনবা খরা অদুম লৈবদগী মতমদুদা দেপ্যুতি সি এমসু ওইবীবা এদুকেসনসু পায়বীরম্বা ইরেংবমগী পাবুঙ তোম্পোকসি উনদুনা ৱারী শাজখি। পাবুঙ তোম্পোক্না মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অনীমক্কী দিরেক্টরশিং কৌরগা ৱথোক্তু লোইশিনখি। লোয়ননা মখা তারকপদা স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা শীনবা হায়না য়ান্নবা পুরকখি। হৌরকপা মতমসু ওইবনা অদুগুম্বা মখলগী থৌদোক মচা মচা খরসু অদুম থোকখি। স্পোর্টস দিপার্টমেন্টসি হাঙদোরকপগা লোয়ননা অনৌবা কোচ লৌননবা

থৌরাংশিংসু মথং মথং তৌনরকখি।

অমরোমদা, ঐহাকসিদি ১৯৭৯সিদা মণিপুর কোলেজদগী গ্রেজুয়েসনসু লোইশিনখ্রবনি। মদুগী মখা তারকপদা ঐখোয়গী ক্লব এস দল্লীয়ু সিগী ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট শীনবা চেফোঙ পুথোকপা, খুমন লম্পাক কন্ননবা খোঙজং কয়াদা য়াম্বুং আর কে রনেন্দ্রজিৎকী মতুং ইঞ্জদুল তৌদুনা মতম খরদি লৈজরকখি। য়াম্বুং আর কে রনেন্দ্রজিৎনা কনভেনর ওইরগা চথখিবা খুমন লম্পাক কন্ননবগী খুথাং চরা হেনবদসু থেঙ্খাং অনীরক্তা য়াওজরকখি। তুংগী মীৎয়েং শান্না উবিবা, অহল-লমনশিং অসিনা

থৌনা ফনা চোঙথোকপীরমদ্রবদি ঙসি ঐখোয়না ষ্টেটসিগী শকয়েং মীঙশেল ওইজরিবা ‘খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স’ অসি উবা ফঙলম্লোই। মশাগীতা খনবা শেঞ্জাও পায়বা অঙম অথৌ কয়ানা শায়েন-ঙায়েন্নদুনা খুমন লম্পাক অসি লৈরম্লরোইদবনি। খুমন লম্পাক কন্ননবা সহিদ মিন্নর মমাঙদা খুথাং চরা হেনবদা মপুং ওইবা থৌদাং লৌখিবা মীওইশিং অদুগী ফোটোশিং ফাওবা ঐদি স্পোর্টস কমপ্লেক্সসিগী গেট ময়াদা খিন্দুনা থম্লিংই। মগুন লৈরবা মীওইশিং অসিগী মপান্না ঙসি ঐখোয়না অচৌবা স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমা লৈবগী চাউথোকচবা ফঙলিবনি হায়বসি অনৌবা মীরোলসিদসু খঙহঞ্জনিংই। -মথং-মথং-

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৭

১) কুমজা ১৯৭১-৭২দা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী চীফ পেট্রোন (Chief Patron) ওইখিবা অদুগী মমিং পীয়ু।

২) কুমজা ১৯৩০ (1930)গী মতমদা SHEFFIED SHIELD গী টুর্নামেন্টতা Donald Bradmanনা শরুক য়াবদা নোংমগী মেচ ফি (Match Fee) কয়ানো?

৩) ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াদা ক্রিকেট টেষ্ট শান্নবা লাকপদা শান্নরোয়শিং অদুগী মরক্তা স্কুল ওজা মরি, ঙা লল্লোনবা অমা, এদভরটাইজিং মেনেজর অমা, সেলসমেন অনী, উহৈ-ৱাহৈ থাদুনা হৈকোল শেম্বা নুপা অমা য়াওরকখি। করম্বা চহীদা টিম অদু ইন্দিয়াদা লাকখিবগে?



৪) অঙাং লায়েংবগী অফাওবা ডাক্তর অমা ওইরকখিবা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমনা কুমজা ১৯৪৫দা অঙাংশিংবু চেকশিন থৌরাং লৌনবা লাইরিক অমা ইদুনা কোপি মিল্লিয়ন ২৫ হেন্না য়োনখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ইন্দিয়া সব জুনিয়র মেন্স হোক্কিদা হোক্কি হিমাচল, হোক্কি উট্টরখন্দ অমসুং হোক্কি কোর্গ মায় পাকখ্রে

বিলাসপুর, জুন ২৫ (এজেন্সী)ঃ

ছটিসগরগী বিলাসপুরদা পাঙথোক্লিবা ৯শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব জুনিয়র মেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ (বিদিভিজন)গী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা হোক্কি হিমাচল, হোক্কি উট্টরখন্দ অমসুং হোক্কি কোর্গ মখোয় মখোয়গী পুল মেচশিংদা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

পুল ‘দি’দা হোক্কি হিমাচল অমসুং হোক্কি মিজোরাম লম্বা তৌনখিবদা য়াম্না হেনবা মওংদা হিমাচলগী শান্নরোয়শিং অদুনা পাঞ্জল ১২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। হিমাচলগী মায়কৈদগী দিপক, নিরজ কুমার যাদব, দিপু অমসুং মনিসনা পাঞ্জল ২২ চনবা ঙমখ্রবা মতুং টিম অদুমক্কী বিসাল কুমার, সাগরনন্দ, গৌতম পসুৱান অমসুং জাবেদ অন্সরিনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি।



পুল ‘দি’গী অতোপ্পা মেচ অমদা হোক্কি উট্টরখন্দনা অন্ধ্রা হোক্কি এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতা হোক্কি উট্টরখন্দগী মায়কৈদগী দিপক ফরটয়াল, সুরজ নেগি অমসুং রাজ থপ্লিয়ালনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি।

পুল অসিমক্কী অহুমশুবা মেচতা হোক্কি কোর্গনা টেলঙ্গনা হোক্কিবু পাঞ্জল ৫-২দা থোইখি। কোর্গগী মায়কৈদগী তিৱানন্না পাঞ্জল ২ অদুগা দরসন বিপিন অমসুং কিরনন্না পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা টেলঙ্গনাগী মায়কৈদগী বেঙ্কতেস অমসুং রামকুমারনা পাঞ্জল অমমম চনখি।

## উরুগ্বেনা চিলিবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

- CONMEBOL -
COPA AMERICA
BRASIL 2019



মরাকানা, জুন ২৫ (এজেন্সী)ঃ

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১৪দগী হৌখিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ ‘সি’গী অরোইবা গ্রুপ মেচতা উরুগ্বেনা চিলিবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা টুনামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা পেরুগা লম্বা তৌনরগনি।

গ্রুপ ‘সি’গী ঙরাং শান্নখিবা অরোইবা মেচ অদুদা উরুগ্বে মেচ ২দা অমা মায় পাক্লগা অমা দ্রো চৎলগা পোইন্ট ৪ ফংদুনা লৈরিবনি। অমরোমদা চিলিগী টিম মেচ ২ শান্নবদা ২মক মায় পাক্লগা পোইন্ট ৬তা লৈখি।

গ্রুপ অদুগী ওইনা অতোপ্পা মেচ অমদা জপান অমসুং ইক্কেদোর লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখি। জপানগী টিম মেচ ২ শান্নখিবদা অমা মায়থীরগা অমনা দ্রো চৎতুনা লাকখি। অদুগা ইক্কেদোরগী টিম মেচ ২ শান্নবদা অনীমক মায়থীরগা পোইন্ট ফংদনা লাকখি।

জপাননা পোইন্ট ১ ফংখিবা অদু করিগুম্বা মখোয়না ইক্কেদোর মায়থীবা পীরগা পোইন্ট ৪ ফংলবসু উরুগ্বেগা য়েংনরুবদা গোল দিফরেন্সতা উরুগ্বেনা খরা হেনবা মরম্না ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী তাঞ্জা অমা ফংলবসু ইক্কেদোরগা শান্নবা মেচ অদুদা জপান দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট অমখক ফংলগা অপুনবা পোইন্ট ২দা লোইশিনখিদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল অদু তৎখিবনি।

গ্রুপ ‘সি’গী মকোক থোংবা টিম অনী চিলি অমসুং উরুগ্বেগী লম্বা অদু য়ৌবদগী হৌনা অকনবা মওংদা মায় পাক্তবদা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোনদা শান্নরকখি। অহানবা হাফ অদুগী অপিবা মতম মিনট ৪৫দা ফুটবোল মশান্নগী ওইনা কুমজা ১৯৩০দা অহানবা ৱর্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইখিবা অমদি টাইটলসু লৌবা ঙমখিবা উরুগ্বেগী মায়কৈদগী অপনবা প্রেসর পীদুনা শান্নখ্রবসু চিলিগী দিফেন্দরশিংগী মশান্না ফজখিবদগী পাঞ্জল লৈখিদে।

অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নদনা লৈখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা মেচ অদুবু মায় পাকপা ঙম্ননবা অহেনবা লালোং কয়া শীজিন্নদুনা টিম অনীমক শান্নবা মখা তারকখি। অনীশুবা হাফ অদুগী পুংখাই অমা হেল্লবা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি। মেচকী ৮২ শুবা মিনটতা উরুগ্বেগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা জোনাথন রোদ্রিগেজনা পীখিবা পাস অমা টিমমেট ইন্দিনসন কবানিনা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমা চল্লগা চিলিবু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। মেচকী মখা তারকপা লেমহৌবা মতম চিলিগী ইক্কেলাইজর ফংখিদবদগী উরুগ্বেনা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা পেরুগা লম্বা তৌনরগনি।

অদুবু গ্রুপ অসিগী পোইন্ট টেবলদা চিলিগী টিম মেচ ৩ শান্নখিবা অদুদা পোইন্ট ৬ ফংলগা ২শুবা পোজিসন তারগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবদগী টিম অদুনা কলম্বীয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

কোপা অমেরিকা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ুম্বু ব্রাজিল অমসুং পরাগ্বে থা অসিগী ২৭তা লম্বা তৌনরগনি। অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মেচ অনী শান্নবদা ভেনিজ্বেলা অমসুং অর্জেন্টিনা শান্নগনি। অদুগা কলম্বীয়া অমসুং চিলি থেংনরবা মতুং জুন ২৯দা উরুগ্বে অমসুং পরু শান্নরগনি।

## হায়তি অমসুং য়ুম্বু কোষ্টা রিকা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

Concacaf
GOLD CUP



হেরিসন, জুন ২৫ (এজেন্সী)ঃ

য়ু এস এ, কোষ্টা রিকা অমসুং জমাইকানা পুন্না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা কোনকাকেফ গোল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ ‘বি’গী অরোইবা রাউন্দদা হায়তিনা কোষ্টা রিকাবু মায়থীবা পীরবসু টিম অনীমক ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবা মেচ অসিগী মাংওইননা হায়তিগী টিম মেচ অনী শান্নবদা মেচ অনীমক মায় পাক্তুনা লৈখি। চপ মান্ননা কোষ্টা রিকাসু মেচ অনী শান্নবদা অনী মায় পাক্লগা পোইন্ট ৬ ফংখি। টিম অনীমক ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লবসু গ্রুপ ‘বি’গী মকোক থোংবা টিম মশক খঙননবা অকনবা লম্বা তৌনখি।

হৌরকপদা কোষ্টা রিকাগী শান্নরোয়শিংনা এটেক ঙন্না তৌবা ঙমখি। মখোয়না চথরকপা এটেক অমদা হায়তিগী দিফেন্দর জিমি এলেসিসনা শোইবদগী কাউশিঞ্জখিবা বোল অমনা কোষ্টা রিকাগী অহানবা পাঞ্জল ওইখি। মেচ মখা চথরকপদা হায়তিনা ইক্কেলাইজর ফংননবা চথরকখিবা এটেকশিং অদু কোষ্টা রিকাগী দিফেন্দরশিংনা ঙাকথোকপা ঙমদুনা অহানবা হাফ কোষ্টা রিকানা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ১২ শুরকপদা হায়তিগী এটেক অমদা পেনাল্টি ফংখি। খুদোংচাবা অদু দকেন্স নাজেমনা পাঞ্জল চন্দুনা ইক্কেলাইজর ফংখি। মেচকী ৮১ শুবা মিনটতা হৌরকপদা কোষ্টা রিকাদা পাঞ্জল অমা পীথোকখিবা হায়তিগী জিমি এলেসিসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা কোষ্টা রিকাবু ২-১দা থোইদুনা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা কনাদাগা শান্নগনি। অদুগা কোষ্টা রিকানা মেক্সিকোগা থেংনরগনি।

## ওষ্ট্রেলিয়ানা ইংলেন্দবু রন ৬৪দা মায়থীবা পীদুনা ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ ২০১৯গী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইবা ঙমখ্রে

ICC CRICKET WORLD CUP
ENGLAND & WALES
2019



লন্দন, জুন ২৫ (এজেন্সী)ঃ

ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট টিমনা ইংলেন্দবু ঙসি শান্নখিবা আই সি সি ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপকী ৩২ শুবা মেচতা রন ৬৪দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙসি লন্দনগী লোর্দস ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচ অদুগী টোস য়ুম্বু ইংলেন্দগী কেপ্টেন ওইন মোর্গনননা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী অপুনবা ওভর ৫০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৮৫ লৌখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী কেপ্টেন অমসুং ওপনর ওইখিবা অরোন ফিন্সনা রন ১০০ লৌদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় ওইখি। মহাকপু চাওনা মতেং পাঙখিবা বেটচমেনশিং অদুদি রন ৫৩ লৌখিবা ওপনর দেবিদ ৱার্নর অমদি রন ৩৮/৩৮ লৌখিবা ষ্টিবন স্মিট অমসুং এলেক্স কেরিনি।

ইংলেন্দনা মায় পাক্লনবা রন ২৮৬ লৌনবা হোৎনরকপদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোলরশিংগী অদুগী এটেক্তা মায়োক্লবা ঙমখিদবদগী ৪৫ শুবা ওভরগী ৪ শুবা বোলদা টিম অদুগী বেটচমেন ১০ মক আউট ওইরগা রন ২২১ খক লৌখিদুনা মেচ অদু মখোয় ওষ্ট্রেলিয়াগী মখুৎতা রন ৬৪দা মায়থীবা নংখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী হৌরকপা ইনিংস অদু য়াম্না ফজখিদে। ওপনর জেমস ভিন্স আউট ওইখিবদা টিম অদুগী স্কোর অমত্তা লৈখিদবনি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ৫ শুবা বেটচমেন বেন ষ্টোক্সনা য়াম্না থৌনা ফনা রন ৮৯ লৌখিবা অদুখক্তনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোলর জেসন অমসুং ষ্টার্টকী এটেক অদু মায়োক্লবা ঙমদনা রন ২২১দা ইনিংস লোইশিনখিবদগী রন ৬৪দা মায়থীবা নংখি।

## স্বিদেননা কনাদা ১-০দা অদুগা য়ু এস এনা স্পেনবু ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱর্ল্ড কপকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

FIFA
WOMEN'S WORLD CUP
FRANCE 2019



লি হর্ভে, জুন ২৫ (এজেন্সী)ঃ

ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী তোঙান-তোঙানবা সিটিশিংদা পাঙথোক্লিবা ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৮লক শুবা এদিসনগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অনীদা স্বিদেননা কনাদাবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা অমদি য়ু এস এনা স্পেনবু ২-১দা থোইরগা টিম অনীমক ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং পেরিসকী ষ্টেদিয়ম দি প্রিন্সেসতা শান্নখিবা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা স্বিদেন অমসুং কনাদা লম্বা তৌনবদা স্বিদেননা ১-০দা মায় পাকখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা অকনবা মওংদা থেংনরকখিবা লম্বাদা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্নখিদে।

অনীশুবা হাফকী মিনট ১০ চঙশিল্লকপদা স্বিদেনগী মায়কৈদগী কোসোভারে অস্লানিনা পীখিবা বোল অমা টিমমেট ষ্টিনা ব্লেকষ্টেনসনা পাঞ্জল চন্দুনা কনাদাবু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। মখা তারকপা মেচ অদুগী অপীবা মতম লোইরবা ফাওবদা কনাদাগী টিম ইক্বোলাইজর ফংদনা স্বিদেন মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা জর্মনিগা থেংনরগনি।

পেরিসকী অতোপ্পা ষ্টেদিয়ম অগষ্টে দেলোনিদা স্পেন অমসুং মমাঙগী চেম্পিয়ন লম্বা তৌনখি। মেচকী অঙনবা শরুক্তা য়ু এস এগী এটেক অমদা পেনাল্টি ফংদুনা মেগান রাপিনোনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১-০দা হেনখি। অদুবু স্পেনগী জেনিফর হরমোসোনা টিমমেট লুসিয়া গার্সিয়ানা পীরকপা বোল অমদা ইক্কেলাইজর অদু ৯শুবা মিনটতা চন্দুনা য়াম্না মান্নবা মওংদা লৈখি।

মেচকী অনীশুবা হাফতা য়ু এস এগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা মেগানা রাপিনোনা পেনাল্টি অমগী খুদোংচাবা ফংখিবদা অমুক্তসু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-১দা মায়থীবা পীরগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ফ্রান্সকা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াই, য়ু এস এগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিনা মমাঙগী ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপকী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। মখোয়না ঙরাং স্পেনবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ব্রাজিলগা লম্বা তৌনবদা এক্সত্রা টাইমদা মায় পাকপা ঙমখিবা ৱর্ল্ড কপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ফ্রান্সকা থা অসিগী ২৮দা সেমি ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা, কনাদাবু থোইখিবা স্বিদেননা থা অসিগী ২৯দা নাইজেরিয়াবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখিবা জর্মনিগা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নরগনি। ঙসি অথেংবদা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা খঙদোক্লবা ইটলি অমসুং চাইনা লোয়ননা নেদর্লেন্দস অমসুং জপান লম্বা তৌনরগনি।